## সরস্বতি ইন্সটিটিউট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্কী পাঙেদা সরস্বতি ইন্সটিটিউট ওফ মেনেজমেন্ট এন্দ পেরামেদিকেল সাইন্সেস (সিম্পস) ঙসি খুরাইদ এসেম্ব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী এম এল এ ডা. এন জি বিজয়না চিফ গেষ্ট ওইদুনা হৌদোকখ্রে। ইন্সটিটিউট অসিদা লৈরিবা কোর্সশিংদি দিপ্লোমাদা মেদিকেল লেব, এক্স-রে টেক, ঈ সী জি, ওপরেসন টেক, দেন্টল টেক, দায়েলেইসিসনি। কোর্সশিং অসি ক্লাস টুয়েল্ভ পাসকিনি। দিগ্রী কোর্সকীদা বি এস সী মেদিকেল লেব টেক অমসুং মাষ্টর কোর্সশিংদা এম এস সী মেদিকেল লেব টেকনি হায়রি। দিপ্লোমা কোর্সকী মতম্না চহী ২ নি। য়ুজি অমসুং পি জি কোর্সকী চহী ৩ নি।

## এক্সসাইজ বূক লৈবীরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ ঃ লিলোং হায়র সেকেন্দরী মদ্রাসা, লিলোংগী ক্লাস সিক্সতগী টেন ফাওবগী খ্বাইগী মকোথোংবা মহৈরোয়শিংদা এল নবকুমার, লেচররএ এদ্যুকেসন, ষ্টেট এৱার্দি ২০১৫ না এক্সসাইজ বূকশিং অমসুং কলমনচিংবা লৈবীগনি হয়না মাদ্রাসা অসিগী প্রিন্সপাল টি ঐচ ইবোয়াইমা সিংহগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। মহৈরোয়শিংদা পুক্নিং থৌগৎপা হায়বসি টিচিং কম্যুনিটিনা তৌগদবা মরু ওইবা অমনি হায়বা ৱাফম থল্লদুনা মহৈরোয়শিংগী য়াইফনবগীদমক মমল নাইদ্রবা কথোকপা অসি মহৈরোয়শিং, ওজাশিং পুন্নমক্লা থাগৎফম থোকই হায়রি। ক্লাস সিক্সতগী ক্লাস টেন ফাওবগী মনুংদা ক্লাস খুদিংগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা মহৈরোয়দা বোই-কলম পীবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মকোকথোংবা মহৈরোয়শিং অসিগী মথৌ তারকপা মতমদা থৌরম অসি লেপ্তুনা মখা চত্থগনি।

## তেংবাঙ পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ ঃ মণিপুর ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (মসাদ) কী প্রসিদেন্ট নিরাজ সাহ কোরিনা লুচিংবা মীওই তরুক্লা শাবা কাঙবু অমনা ঙসি নোনেদা চৎতুনা য়ুহা হাবনা শোকহল্লবা ইমুং-মনুংশিংদা তেংবাঙ পোৎলমশিং পীখ্রে। হৌখিবা জন্যুৱারি ৪গী অয়ুক অঙনবদা হাখিবা অকনবা য়ুহানা মাঙ-তাকহনখ্রবা মফমশিং টিম অদুনা য়েংশিনখি। য়ুহা হাখিবগী ইপিসেন্টরনি হায়নরিবা কবুই খুল্লেন্দসু চৎতুনা মফম অদুদা খুন্দারিবা খুঞ্জাশিংগা উন্দুনা ৱারী শানখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

**GAS TODAY**

**HRANGCHAL GAS AGENCY (OLD LAMBULANE)**
Booking upto: 04/01/2016
Valid from: 29/12/2015
***Stk:306 (DBTL Only)***
Timing: 7:30am-10:30 am
Kindly Submit Aadhaar at the time of booking including home delivery.

**JEMON GAS SERVICE CHINGAMATHAK**
Booking upto: 03/01/2016
Valid from: 07/12/2015
***Stk:612 DBTL (BTC+CTC)***
Timing: 7:30am-10:00 am

**K&K INDANE SERVICE SL.NO.UPTO:100**
Booking upto: 20/01/2016
Valid from: 09/01/2016
***Stk:612***
Timing: 7:30am-11:00 am

**KHONGNANG GAS AGENCY NINGTHOUKHONG**
Booking upto: 11/01/2016
Valid from: 07/01/2016
***Stk:306 (DBTL Only)***
Timing: 7:30am-10:30 am

**KHORIPHABA, NAMBOL**
Booking upto: 09/12/2015
Valid from: 30/11/2015
***Stk:306 (DBTL Only)***
Timing: 7:00am-09:30 am

**LEIBAKLEI GAS KAKCHING**
Booking upto: 03/01/2016
Valid from: 26/12/2015
***Stk:612 DNSC(DBTL)***
Timing: 7:30am-12:00 Noon

**MM GAS SERVICE**
Booking upto: 16/12/2015
Valid from: 30/11/2015
***Stk:612 (DBTL Only)***
Timing: 7:30am-11:30am

**MANIPUR GAS SERVICE SANGAKPHAM**
Booking upto: 08/01/2016
Valid from: 05/01/2016
***Stk:306 (DBTL Only)***
Timing: 7:30am-09:30am

**MISAO GAS SERVICE**
Booking upto: 30/12/2015
Valid from: 12/12/2015
***Stk:306 (DBTL Only)***
Timing: 7:30am-11:00am

**R&H IRILBUNG**
Booking upto: 18/01/2016
Valid from: 14/01/2016
***Stk:612 DBTL Only***
Timing: 8:00am-11:00am
Submit Adhaar Card.

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking upto: 18/01/2016
Valid from: 25/12/2015
***Stk:612***
Timing: 07:00am-10:00am
Urgent:Submit Aadhar Card.

**M/S J RONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking upto: 19/01/2016
Valid from: 17/12/2015
***Stk:306 (DBTL Only)***
Timing: 07:30am-10:00am

# ইপাক্কী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস)ঃ ইন্দিজিনস পীপলস এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক) না পাউচিংঙী খুথাংদা ফোঙদোকখিবদা, য়ুম-কৈ শাজিল্লবশিং লৈঙাক্না থিংদ্রবদি লৌবুক কলহৌনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়খিবা ৱাফম অদু ওল মণিপুর মুস্লিম দিভলপমেন্ট কম্মিটি, লিলোংনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরি সায়ীদ অহম্মদ শৈইখনা থোকপা চেরোল অমদা হায়, হন্দক অহল্লুপ লৌকোদা মুস্লিম মৈতৈ পোম্মিবশিংনা আইন কায়না মওংদা ফৌরাল লৌফমশিংদা য়ুম শাজিল্লক্লে হায়না মণিপুরগী ইস্যু খুদিংমক্তা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা কাদো অমসুং ইপাক্কুপা লুপশিংনা ফোঙদোরক্লিবা অসি মনুংদা করি লৈবনো নত্রগা মণিপুরী মুস্লিমদা করি পেন্দবা লৈরিবনো হায়না ঙঙবা ঙমদে।

ইশাগী লৌফমদা য়ুম শাবা য়াদে হায়বসি করম্বা এক্তা য়াওবনো নৎত্রগা মণিপুরদা লৈরিবা মুস্লিমশিং ফোরেয়েন ওইনা উবীরগা হায়না চেরোল অসিনা হংলক্লি।

পুকচেল শেংবা অমদি লৌবুক কন্নবা চঙশিনবনি হায়রগদি মন্ত্রিপুখ্রিদা থাউ টি পার্ক শাহনবা চুক্ত্রা, ইম্ফালদগী এয়রপোৎ ফাওবগী নাকয়েৎ, পাওমৈ কোলোনি, ইম্ফালদগী কৈথেলমানবী, ইম্ফালদগী সেকমাই অসিনচিংবা য়াম্না লৌকোলশিংদা বিল্ডিং কয়া শাজিনবদি থিংবা ঙমদ্রিবা করিগনিনো হংলি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা করিসু লৈতবা ৱাফম অসিদা ৱাজাউ থোকহনবা হোৎনগমসি। অসিগুম্বা য়াম্না ৱাখল থেনবা, অখুবা মীৎয়েং অসি য়েংনবগী মতম নত্তে। মসি ইপাক অমদি কাদোনা অমুক হন্না তৌবীগনু হায়না এল মণিপুর মুস্লিম দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা হায়জরি।

অদুবু করিগুম্বা হায়জরিবা অসিগী ওল্ল-তৈনবদা চথরকপা তারবদি তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লেই হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।




ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ট্রাইবেল য়ুনিভর্সিটি, রিজনল কেম্পস মণিপুরদা এম পি মৈন্যানা এক্ট ইষ্ট পোলিসীগী মতাংদা ৱা ঙাঙবা

## টেররিষ্ট অফজল গুরুগী থৌরম থিংখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস)ঃ

জে এন য়ু ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন্না লৈখিদ্রবা টেররিষ্ট অফজল গুরুগী নীংশিং থৌরম অমা ওইনা পার্মিসন লৌদুনা কলচরেল ইভনিং অমা পাঙথোক্লবা হোৎনরম্বা অদু এ বি ভি পি জে এন য়ু য়ুনিটনা থিংজিনদুনা পাঙথোকহনখিদ্রে হায়না এ বি ভি পি মণিপুরগী মেদিয়া সেক্রেটরি শরতচন্দ্র হাওবীজমগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, জে এন য়ু ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন্না মখোয়গী ফ্রীদম ওফ স্পীচ মাঙহল্লে হায়দুনা জে এন য়ু কেম্পসতা সীট ইন প্রোটেষ্ট পাঙথোক্তুনা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈদুনা এন্টি নেসনেল ওইবা খোল্লাউ কয়া লাউখিবা, কাস্মিরনা নিংতমদ্রিবফাওবা লালহৌগনি, ইন্দিয়া মাঙ-তাকত্রিফাওবা লান হৌখিগনি, ইন্দিয়া গো বেক, পাকিস্তান জিন্দাবাদ, ইন্দিয়া মুরাদাবাদ হায়বনচিংবা লাউখিবদু য়ানিংদবা উৎতুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এ বি ভি পি য়ুনিটতা প্রোটেষ্ট অমা পাঙথোকখ্রে। প্রোটেষ্ট অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনা জে এন য়ুগী এন্টি নেসনেল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন থিংজিল্লু, সেব জে এন য়ু, টেররিষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন দাউন-দাউন হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউখি।

ইন্দিয়াগী চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা অসিগুম্লবা য়ুনিভর্সিটি অসিদা রাইট টু ফ্রীদম ওফ স্পিচনি হায়দুনা এন্টি-নেসনেল, এন্টি-দেমোক্রেটি ওইবা খোল্লাউ লাউবা অসিদি চৈরাক ফংফম থোকই হায়রি।

# মীপুম খূদিংমক্তা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনগদবনি : হর্স বর্দন

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী) ঃ

সেন্ট্রেল গ্লাস এন্দ সেরামিক রিসার্ছ ইন্সটিট্যুট (সী জি সী আর আই)না অতৈ সী এস আই আর লেবোরেটরিশিংগা খুৎশম্নরগা মীপুম খূদিংমক্তা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি অমসুং আর্থ সাইন্সেস ডো. হর্স বর্দনন্না ফোঙদোকখ্রে।

হন্দক্তা সী এস আই আর-সী জি সী আর আইদা মিনিষ্টরনা য়েংশিনবা চৎখিবা খোঙচৎ অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। সী এস আই আরগী লেবোরেটরিগী ফাইবর ওপ্টিক্স এন্দ ফোটোনিক দিভিজনন্না শেমগৎপা ওপ্টিকেল এমপ্লিফয়ার য়েংশিল্লবা তুংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, নেসনেল ফোটোনিক প্রোগ্রামগী মখাদা পায়খৎলিবা থৌরাং অসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি।

হন্দক্তা শেমগৎখিবা কোফোকেল মাইক্রোস্কোপকী মতাংদা ডো. হর্স বর্দনন্না হায়খি, সী এস আই আর লেবোরেটরি খূদিংমক্লা মপান্দগী মমল তাঙনা মাইক্রোস্কোপ লৈবগী মহুত্তা হন্দক্তা নৌনা শেমগৎলিবা মাইক্রোস্কোপ অসি ওইনা লৈগদবনি।

সী এস আই আর-সী জি সী আর আইগী দিরেক্টর ডো. মুরালিধরনন্না মিনিষ্টরগী মফমদা ইন্সটিট্যুট অসিনা ৱেষ্ট বেঙ্গল, ঝরখন্দ অমসুং বিহারদা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি।

ইন্সটিট্যুট অসিনা দিপার্টমেন্ট ওফ এটোমিক ইনর্জি অমদি দিফেন্স রিসার্ছ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননচিংবা মরু ওইবা সেক্টরশিংদা পাংলিবা মতেংগী মতাংদসু দিরেক্টরনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টরনা ইন্সটিট্যুট অসিগী বাইও সেরামিক এন্দ কোটিং অমসুং গ্লাস দিভিজন য়েংশিল্লবা মতুংদা হায়খি মদুদি, অচার্য্য পি সী রে, ডো. জে সী বোস, ডো. এম এন শাহ অমদি প্রো. সী ভী রমননচিংবা মীৎয়েং শানবা সাইন্টিষ্টশিংগী মতৌ তমদুনা লৈবাক অসিগী কান্নগদবা থৌরাং কয়া লৌখৎকদবনি।

## ‘রশন কার্দ দিজিটাইজ তৌরে, পি দি এসতা অহোবা লৈররোই’

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী) ঃ

গভর্ণমেন্টনা পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম (পি দি এস) শেমদোকপগা লোয়ননা রশন কার্দশিং দিজিটাইজ তৌবা লোইরে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ কঞ্জ্যুমর এফেয়র্স, ফূদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর রাম বিলাস পসৱাননা ফোঙদোকখ্রে

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, নেসনেল ফূদ সিক্যুরিটি এক্ট (এন এফ এস এ) ইমপ্লিমেন্ট তৌবা ষ্টেট মশিং ২৭ শুরে। থৌরাং অসিগী মখাদা মীওই ক্রোর ৫৪ হেনবনা চেঙ কে জিদা লুপা ৩ অমসুং গেহু কে জিদা লুপা ২দা লৈবগী খুদোংচাবা ফংলে। চহী অসিগী এপ্রিল ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি খূদিংমক্তা নেসনেল ফূদ সিক্যুরিটি এক্ট মপুং ফানা চৎনহনবা ঙম্লগনি হায়রি।

মিনিষ্টরনা হায়খি, রশন কার্দশিং আধার কার্দকা শম্নহনবগী থৌরাং চাদা ৪২ রোম পায়খৎপা লোইশিনখ্রে। ফূদগ্রেনশিং ওনলাইনদা এলোকেট তৌবগী থৌরাং ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২০দা মপুং ফানা পায়খৎলে। ফিয়র প্রাইস সোপ ৭৭,৬৩১দা ‘পোইন্ট ওফ সেল’ দিভাইস ইন্সটোল তৌরে অমসুং ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৩৬তা টোল ফ্রী ওইবা হেল্প লাইন ইন্সটোল তৌরে।

## ফল লাউথোক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা কুমজা ২০১৫ দা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেবেল নেসনল টেলেন্ট সর্চ ইগজামিনেসন, ষ্টেট টেলেন্ট সর্চ ইগজামিনেসন অমসুং নেসনল মিন্স কম মেরিট স্কোলারশিপকী ইগজামিনেসনগী ফল লাউথোকখ্রে। অকুপ্পা মরোল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ৱেবসাইট অমদি নোটিশ বোর্দতগী খঙলবা য়াগনি হায়না এদ্যুকেসন (এস)না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## মণিপুর অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী...

*লামায় ১গী মখা...*সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং চঙশিন্দুনা খাম্নবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা সবষ্টিট্যুট বেঞ্চতা ফম্লিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোয় অমদি ওফিসল পূম্নমক ফিল্ড ময়াইদা হোৎচিল্লক্তুনা ফুনবা অদুদা হেন্না মথৌ হাপখি। খান্বা য়াদবা মওংদা খৎনরকপনা মিনিট ১০ রোম ফিল্ড মনুংদা লেপ্পা লৈতনা নুপী শান্নরোয়শিং ফুনরগা লৈখি। নুপী সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং য়াওনা খামদোকপদগী ঙাইহাক ঈংথখি। ঙাইহাক লৈরগা ইখঙ-খঙহৌদনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোয়শিংনা ফিল্ড ময়াই তম্না চেনশিন্দুনা মেটচ কন্দক্ট তৌরিবা রেফ্রি কে ব্রোজেনদা মশা পায়দুনা ইন্দুনা খুৎ থানবা হোৎনখি। খুদক্তা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং খোঙলৈ থুনা চেনশিন্দুনা খামদোক্লবা হোৎনখি। মথোং হুক্ত্রবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোয়শিং অদুনা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং ফাওবা মশা পায়দুনা ইনখি।

খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদুদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোয় পোলি কোলে দব্বল কোসন ফংবদগী ঙসিগী মেটচ অসি শান্নবা য়াওদবগা লোয়ননা সবষ্টিট্যুট বেঞ্চতা ফম্বা ফাওবা য়াদে। পোলি কোলেনা কদোমদগী করম্না চেন্থোরক্লগা ফিল্ড ময়াইদা ফুনবা য়াওরল্লিবনো হায়না হংনরকখি। য়াম্না দিসিপ্লিন য়াওদবা মওংদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিংনা চত্থখিবা থৌওং অদুবু পেন্দদুনা মীয়াম্না লাউশিনখি। মিনিট ১৫ রোম উংখৎনরবা তুংদা মেটচ কমিস্নার অমদি রেফ্রিনা মেটচ হৌননবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোয়শিংদা খঙহনখি। তুংদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোয়শিং অদুনা মেটচ অদু অমুক হন্না শান্নগদবনি নৎত্রগা গোল ০-০দগী হৌরগা অরেম্বা মেটচ অদু শান্নগনি, মদু নৎত্রবদি মখা তানা মেটচ শান্নররোই হায়রকপদগী রেফ্রিনা মেটচ অদু লোইগদবা মিনিট ১৬ ৱাৎলিঙৈদা লোইশিনখি। মেটচ অদু মণিপুরনা ১-০দা মাঙজিন থাখিবা মরম্না মণিপুর চত্থরিবা টুর্ণামেন্ট অদুগী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ১৩-২-২০১৬, থাংজ, ফাইরেনগী ৫ নি পানবা অয়ুক্কী পুং ০৬.৪০ তগী ৬ নি পানবা, যোগীনি মায়কৈদি মখা, অয়ুক্কী পুং ০৬.৪০ তগী নোংচুপ

**মেষ** ঃ ইমুং লাংগনি, লম কোয়নিংবা, খঙহৌদনা ৱাখল ওল্লকপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ শেলগা মরী লৈনবা, মৈগী থবক্তা কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনীংবা থুংগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

**বৃষ** ঃ ইমুংদা নুংঙাইজবা, ইচাগী মরমদা নুংনাংবা, অরংবা পোৎ ফংজবা লৈ।
লাল্লোল ঃ অরংবা পোৎচৈদা কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল নুংঙাইগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরীদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**মিথুন** ঃ ৱাখল মওন মলন খনবা, মীনা ঙাঙবা তানিংদবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ সনাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা ৱাখল পোকহনগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চা চন্দন।

**কর্কট** ঃ লাংতক্লবা, মথক থোংবগা শাউনবা লৈ, শেল চৎপগী মরম লাক্কনি, খরা চেকশিন্না চৎপা ফৈ।
লাল্লোল ঃ চাদিং হেনগনি, তুং মাঙ য়েংবা ফৈ।
পাখং-লৈশা ঃ মীৱা মৈশা লৈগনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, ঘী।

**সিংহ** ঃ মীনা শিংথাদবা, তৌরুবা থবক্তা খরা চাউখৎপা লৈগনি, ৱাখল নুংঙাইগনি।
লাল্লোল ঃ সনা, ফিরোলগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ খনবনা অমা তৌবনা অমা লৈগনি।
হকচাং ঃ উনসা, অপোম অতং পীরি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

**কন্যা**ঃ শেল চৎপা, মীগা মুক্লবা, মখা থাবা মীনা য়েংথিবা ওইরি।
লাল্লোল ঃ ঈশিং, ফিগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লাংগনি।
হকচাং ঃ শরুদা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।

**তুলা**ঃ অকি অখঙ লৈগনি, থবক মফমদা অহোংবা পীরকপা, কান্নজবা, ইমুং মনুংগী পাউ নুংঙাইবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগা মরী লৈনবা থবক্তা কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাউনবা লৈগনি, তপথবা ফৈ।
হকচাং ঃ কোক্তা নুংঙাইতবা পীরি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চা চন্দন।

**বৃশ্চিক** ঃ য়েংশিনবা য়াম্মী, মরী মতা মথক থোংবদগী নুংঙাইতবা পাউ লৈগনি, শেল চৎকনি।
লাল্লোল ঃ হীদাক লাংথক্কী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্ন-চিন্নগনি, ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থাউ অহিংবগী মৈরা, লৈ হিগোক।

**ধনু** ঃ মীনা শনমান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি, নচাক নরল চঙবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ সনা লুপাগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা ৱাখল লাক্কনি।
হকচাং ঃ মীৎ, ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**মকর** ঃ থবক্লা য়াম্বা তৌবদি ঙমদবা, শাউনিংহনবা পোকপা, লমদা চৎপা, শেল চৎকনি।
লাল্লোল ঃ লাকপগা চৎপনা হেনগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লাংগনি মওন মওন খনবা, নুংনাংবা লৈ।
হকচাং ঃ পূক, খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

**কুম্ভ** ঃ করিসু নত্তবদা শাউনিংবা, মীগা মুক্লবা লাক্কনি, পূক্নুং তপথবা ফৈ।
লাল্লোল ঃ হীদাক, অচা অথক্কী পোৎলম কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা পাউথোকপীবা লৈগনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

**মিন** ঃ ইচিল ইনাওগী মুক্লবা লৈ, খোয়শাউনবা মতাংনি, পূক্নিং তপথবা ফৈ।
লাল্লোল ঃ সনা লুপাগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল নুংঙাইগনি।
হকচাং ঃ কোক মায় নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।

## দেষ্টিনেসন নোর্থ ইষ্ট জিতেন্দ্র...

*লামায় ১গী মখা...* ডো. মুকুল সংমানা হায়খি, লৈফম অমসুং লম্মীৎ-তুমিৎকী খুদোংচাদবশিং লৈরবা ফাওবদা অৱাং নোংপোক্তা চাউখৎ খোঙজেলগী মশক অমা থোক্লক্লি। চৎলিবা খোঙজেলগী চাং অসি হৌজিক হেন্না অকনবা মওংদা মাঙলোমদা পুখৎপা মতমদুনি।

গভর্ণমেন্টনা অৱাং নোংপোক টুরিজমগী মতাংদা ৱাং ঙাংবদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অৱাং নোংপোক্তা টুরিজম চাউখৎনবা, মসি ওইহনবদা খুদোংচাবশিং পীনবা অখন্নবা অহেনবা মীৎয়েং থাদরি হায়খি। দোনরগী সেক্রেটরি নবীন বর্মাসু থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখি।

ফেষ্টিবেল হৌদোক্লবা মতুংদা হয়েং খন্ন-নৈনবশিং পাঙথোক্কনি। অৱাং নোংপোক চাউখৎহন্নবগী লৌখৎলিবা থবক থৌরাংশিং, খঙনদ্রিবশিং পুথোক্তুনা খঙহন্দুনা টুরিজম চাউখৎহনবা, আই টি অমসুং আই টি ঈ এসকী খুদোংচাবশিংগী মতাংদা হয়েং সেসনশিং পাঙথোক্কনি।

নিনি চনবদা অৱাং নোংপোক্তা হিংনিংঙাই মচাক হেনগৎহনবা, পূম্নমক শুনা চাউখৎনবগীদমক মাইক্রো-ফাইনান্স, ষ্টার্টঅপস খুদোংচাবশিং অমসুং শীংনবশিংগী পেনেল দিস্কসনশিং পাঙথোক্কনি। হেন্দলুমদগী ফেব্রিক্স, গার্মেন্টকী মমল লৈবা হেনগৎলকপা, অথৌ তাবদা য়ুম্ফম ওইবা স্কিল দিভলপমেন্ট, ওন্ট্রপ্রেন্যুরসিপ প্রোমোসন খন্নগনি অমসুং অৱাং নোংপোক হেন্দলুমবু প্রেমিয়র ব্রান্দ অমা ওইনা লৈবাক্কী অমসুং মালেমগী কৈথেলদা থন্বগী মতাংদা খন্নগনি। জগোই-ঈশৈ, ফেসন সো, স্কুল অঙাংশিংগী ক্যুইজ, জগোই চাংদম্নবশিংনচিংবা নাৎকী থৌরমশিং, টুরিজম, এগ্রিকলচর, ফূদ প্রোসেসিং, স্কিল দিভলপমেন্ট, আই টি, হেন্দলুম, হেন্দিক্রাফট, লাইবলিহুদ, মাইক্রো ফাইনান্স অমসুং ষ্টার্টঅপসনচিংবা সেক্টরশিংগী থিমদা স্পেসিফিক বিজিনেস সমিটসু নুমিৎ হুম্নিগী থৌরমসিদা চত্থগনি।

দেষ্টিনেসন নোর্থ ইষ্ট অসিনা সেন্ট্রেল মিনিষ্ট্রিশিংনা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা লৌখৎলিবা থবকশিং উথোকহনবসু ঙমহল্লগনি। অৱাং নোংপোক্কী জগোই-ঈশৈ অমসুং নাৎকী থৌরমশিং ফেষ্টিবেল অসিদা উথোকপা য়াওরি।

## থৌরাং অমা লৌখৎত্রিফাওবা...

*লামায় ১গী মখা...*ঙসি বি জে পিগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি, রাম মাধবনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবা অদুদা মীওই খরনা এল সুভাশ শৌগৎলি হায়না থাবা প্লে কার্দ পায়দুনা লেপ্লমখি। বি জে পিগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি রাম মাধবনা ইম্ফালদা থুংলবা মতুংদা কুম্বীদা চত্তুনা বি জে পিদা নৌনা য়াওরক্লবশিং অমদি ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমদি নগর পঞ্চায়ট মীখলদা মায় পাক্লক্লবশিং ওকপগী থৌরম অমদা শরুক য়াখি। তুংদা সেন্দ্রাদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী থৌপুবশিংগা লোয়ননা মীফম পাঙথোকখি। নুমীৎ হুন্নিগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা থুংলখিবা বি জে পিগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি রাম মাধবনা হয়েং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা বি জে পি মণিপুরগী মরু ওইবা থৌ পুবশিংগা লোয়ননা মীফম পাঙথোক্কদৌরি।

## মণিপুর কন্নবা কোংগ্রেস...

*লামায় ১গী মখা...*লক্ষ্মী অসি এ সী অসিগী এম এল এনা শেন্সা ঙল্লরোই হায়না মশানা শেংনা হায়রবদি হান্নগী এম এল এ মঙ্গিগা তানমিন্নরগা শেন্সা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরমদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট, টি ঐচ চাওবনা হায়খি, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা নোর্থ ইষ্টতা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা থৌরাং কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি। শেঞ্জা-থুমজা চথবা কোংগ্রেসকী লৈঙাক অসি লৈহন্দনবা বি জে পিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

হান্নগী মিনিষ্টর, এন মঙ্গিনা ফোঙদোকখিবদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী থবক থৌরমশিংদা থাজবা থমদুনা পার্টি অসিদা নৌনা য়াওরকপনি। বি জে পিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা ষ্টেট অসিদা চাউখৎ-থৌরাংগী লমদা খুমাঙ চাউশিনহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন, এস ঐচ প্রেমানন্দ শর্ম্মা, জেনরেল সেক্রেটরি, এম অশ্বিনিকুমার, বসন্ত অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী থৌপুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## মীওই ৯গী হকচাং লৈরোন চনবা...

*লামায় ১গী মখা...* চনবগী মতাংদনি। অদুম ওইনমক লৈরোন চনবগী নুমীৎ লেপ্পবা নত্তে হায়না কে এন ওগী অন্দর সেক্রেটরি, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ষ্টেফেন কুকিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীনা য়েলহৌমী কন্নবা বিল অহুম পাস তৌখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা চুড়াচান্দপুরদা হৌখিবা ঈহৌদা মীওই ৯ লৈখিদবগা মরী লৈননা শেমখিবা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি অদু ট্রাইব খুদিংমক্কী ইনপি গ্রুপশিং, সিবিল বোদিশিং অমসুং জোইন্ট ফিলান্ট্রোপিক ওর্গনাইজেসনশিং য়াওনা শেমখিবনি। মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ৬ তা মরী লৈনবশিংনা অমত্তা ওইনা য়ানরবা মতুংদা মথৱায় কৎখ্রবা মীওই ৯ অদুগী অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোক্লবা নুমীৎ লেপখিবনি। অদুম ওইনমক ট্রাইব কাঙলুপ অমনা ৱারেপ অদু য়ানিংদবা ফোঙদোরকপদগী লৈরোন চনবগী থৌরম পাঙথোকখিদে অমসুং লৈরোন চন্নবগী নুমীৎ মরী লৈনবশিংনা মমাঙ চহীগী নবেম্বর ৩০ দা লেপখি। মদুগী মতুংদা ট্রাইব কাঙলুপ অদুমক্লা ইনপি গ্রুপশিংদা মনুংগী ওইবা ৱাখল্লোন খেন্নবা লৈবা অদু শংদাইনবা তঙাইফদে হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লৈরোন চনবগী নুমীৎ য়ৈথোক্লবা আপিল তৌরকখি।

লৈখিদ্রবশিং অদুগী লৈরোন চনবদা মপুং ফানা শংদাইনবা পুরকপা ঙম্নবগীদমক কে এন ও অমসুং য়ু পি এফনা থা অসিগী ৭ তা মীটিং অমা পাঙথোকখি। অপূনবা মীটিং অদুদা জে এ সী, জে পি ও অমসুং ইনপি গ্রুপশিংগা তান্নরবা মতুংদা লৈখিদ্রবা মীওই ৯ অদুগী অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোক্লবা রিজোলুসন অমা পাস তৌখি। থা অসিগী ৯ দা কুকি কংলাই লোমপি কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা মীটিং অদুদা ঐচ পি সি (দি)গী ৱার্কিং চ্যেরমেন এল টি মারনা লৈখিদ্রবশিং অদুগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগা মরী লৈননা য়ানবা পুরকপা তঙাইফদে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। লোয়ননা মীটিং অদু য়ু পি এফকী অরোন কিপজেন, থাংবোই হাওকিপ, কে এন ওগী প্রসিদেন্ট পি এস হাওকিপ শরুক য়াখি অমসুং য়ু পি এফকী চ্যেরমেন থাংবোই কিপগেননা মোদরেটর ওইখি। মার ইনপুইগী প্রসিদেন্ট জোন পুলামতেনা ইনপি গ্রুপশিংগী মীহুৎ ওইখি অমদি লৈখিদ্রবা মীওই ৯ অদুগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা পুন্না ৱারেপ লৌখি।

থা অসিগী ১৩দা পাঙথোকখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মীটিংদা পি এস হাওকিপনা মোদরেটর ওইদুনা লৈরোন চনবগী নুমীৎ লেপ্পবা ৱাফম ফোঙদোক্লরকপদা মরী লৈনবা ওর্গনাইজেসনশিংনা খুৎ থাঙ্গৎতুনা অয়াবা পীখি। অদুম ওইনমক থা অসিগী ১৩ পি এস হাওকিপনা পুখৎলকখিবা ৱাফম অদু সিবিল ওর্গনাইজেসনশিংনা য়েৎলকপদগী কে এন ও অমসুং য়ু পি এফনা সিবিল ওর্গনাইজেসনশিংগা তান্নদুনা অমত্তা ওইনা য়ানবা পুরক্লবা ৱাফম থমখি। তুংদা পি এস হাওকিপনা পুখৎলকপা লৈরোন চনবগী নুমীৎ অদু সিবিল ওর্গনাইজেসনশিংনা অয়াবা পীখি হায়রি।

অমরোমদা, ট্রাইব কাঙলুপ অমা নৎত্রগা মীওই খরনা পুন্নমক্লা য়ানখ্রবা ৱাফম অদুগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপা অসি য়াম্না কন্না নুংনাংনিংঙাই ওই। পি এস হাওকিপগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপা অমসুং দেমোক্রেটিক ওইবা ৱারেপকী মায়োক্তা লেপ্লকপা অসিদা মীয়াম্না নুংনাংবা ফাওরিবদি মীয়ামগী ঈহৌ অসি মীওই খরখক্কী ওইখিগদ্রা হায়বসিনি।

কে কে এল কমপ্লেক্সতা মীটিং পাঙথোকখ্রবা মতুংদা য়ু পি এফকী গ্রুপ অমনা অসিগুম্বা য়ানিংদবা ৱারোল ফোঙদোরকপা অসি লাইবক থিবনি। পাঙথোকখিবা মীটিং অদুগী প্রমান ওইনবা ভিদিও রেকোর্দিং লৈ। য়েংবীনিংবা মীওইনা য়েংবীবা য়াগনি হায়রি।

## ৱাটসএপ গ্রুপ...

*লামায় ১গী মখা...*পুলিসকী তেংবাঙ লৌনবা ঈ-পাউ পীথোক পীশিন তৌননবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, মফম অমদা খঙহৌদনা ক্রাইম অমা থোক্লে নৎত্রগা ফত্তবা মীওই অমা লৈরে হায়বগী ঈ-পাউ খুদক্তা পুলিস ষ্টেসনদা চৎত্রবসু ৱাটসএপ গ্রুপ অসিগী তেংবাঙনা অথুবা মতমদা পুলিসনা মফম অদুদা য়ৌশিনবা ঙম্লগনি। চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না টেক্নোলোজিগী পোৎলমশিং অদু অফবা থবক্তা শীজিন্নবগী মহুত্তা ফত্তবা থবক্তা শীজিন্নবা য়াওদবা নত্তে। ৱাটসএপ গ্রুপ অসিদা য়াওরিবা মেম্বরশিংনা তৌবা য়াবা অফবা থবকখক তৌরবদি পোজিটিব ওইরবা এক্সন প্লান অদু লৌবা ঙমগনি খল্লি।

অফবা ৱাখল্লোন্দা চঙশিন্দুনা ৱাটসএপ গ্রুপ অসিনা অফবা খুন্নাই অমা লাকহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পুন্না থবক তৌমিন্নবা মথৌ তাই। পুলিস অমদি মীয়ামগগী মরক্তা শেল্লিবা ৱাটসএপ গ্রুপ অসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংদসু মথং মথং হাংদোক্লগনি।

থৌরম অদুদা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুংদা লৈবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন, সোসল ৱার্কর অমদি কাউন্সীলর কয়াসু শরুক য়াখি। মীয়ামগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লরকখিবদা হান্নদি পুলিস লাকপদা হঙ্গোইনরম্বা অদু মাঙখিদুনা ঙসিদি মীয়ামগা পুলিসকা নকশিন্না ৱারী শানদুনা খুন্নাইগী অমোৎপশিং শেংদোকমিন্নবা ঙম্লগনি।

লৈকায় লৈকায়দা ফত্তবা থবক তৌবা মীওই অমদি ময়ায় কাবা চীঞ্জাক চাবশিংসু লাকশিনবা ঙম্লগনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী এস পি অঙম কামৈ রোমানস অমদি পুলিস ওফিসার কয়ামরুম শরুক য়াখি।

## অমুকোগী ২৩ শুবা ফাউন্দেসন...

*লামায় ১গী মখা...*চীংমী-তম্মী অনীনা চহী লিশিং কয়াগী মমাঙদগী পুন্না খুন্দা লৈতামিন্নদুনা লৈরক্লিবনি অমসুং মতুংদসু থাদোক্লবা য়ারোই। পুন্না লৈমিন্নগদবনি। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদদি দরবারনা ৱারেপ অমা লৌই। চীংতম অনী পুন্না হিংমিন্ননবগীদমক্তা দরবারনা লৌরকপা ৱারেপ অদু নিংথৌনা ৱারেপ অমা লৌদুনা অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবগীদমক্তা তম্পাক্তা চীংমীশিং অসিনা লৈনবা শঙ অমা শারগা থম্মী। মদুদা চাকখুমসু য়াওই। মফম অদুদা চীংমী পুন্নমক পুলহল্লি অমসুং নিংথৌনসু য়াম্না লুনা তৌবী। মরম অদুনা চীংমীগী ৱাথোক অমত্তা থোক্তে। থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ডা. ৱাই মনি খুমননা হায়খি, তোঙান তোঙানবা ইথনিক কম্যুনিটি ময়াম অমা পুল্লগা লৈমিন্নবা অপূনবা খুন্নাই অদুগী শক্তম অমা লৈবা লৈবাকনি। তোঙান তোঙানবা সিবিল সোসাইটিশিংনা মাগী মাগী আইদোলোজি অমমমগী মখাদা থবক তৌমিন্নে। অদুম ওইনমক তৌরিবা থবক খুদিংমক কম্মন ইন্টরেষ্ট অমদা তৌমিন্নবা ঙাক্তনি।

কে টি রহমননা ফোঙদোকখিবদা, কাঙলুপ কয়ানা মশা মশাগী ওইবা ৱাখল্লোনদা অপূনবগী শক্তম তোখায় তাহন্নিংবগী ঈহৌ হৌরি। মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদগী তোখায়বা কাঙলুপকী ওইবা হোমলেন্দশিং শাগৎকে হায়রকপা অসি মণিপুর মীয়ামগী য়াম্না লাইবক থিবনি।

এল মেমচৌবীনা হায়খি, ঈহৌ খুদিংমক্তা ইমাশিংনা অচৌবা থৌদাং কয়া য়াদুনা লাক্লি অমসুং তুংদা লাকপা ঈহৌ কয়াদসু পুন্না চৎমিন্নখিগনি।

ফুলিন্দ্রো কোন্সমনা ফোঙদোকখিবদা, চাউখৎ-থৌরাংগী মীংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা দিবাইদ এন্দ রুল্ড পোলিসী শান্নদুনা লুক ইষ্ট পোলিসীদা ঐখোয়গী লৈজরিবা নেচরেল রিছোর্চশিংদা য়ৈখায়-থিনগাইবা থোকহল্লি। য়ু সী এমগী সেক্রেটরি জেনরেল ৱাই কে ধিরেননা হায়খি, কায়নবা, শেৎনবা য়াররোইদবা পুৱারীগী লীক্লম ওইনা লৈরক্লবা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা চীংমী-তম্মীগী মরক্তা অপূনবগী শক্তম থুগায়নবা কনানা শিল্লিবগে হায়বসি কুপ্না খন্নদুনা পুন্না ৱাখল তামিন্নবা তঙাইফদে। মীয়ামগী ওইবা রেল্লি অমা চৎখ্রে হায়না লৈথোকপা নত্তনা ঐখোয়গী তুংলমচৎশিংদা পীরক্লিবা শাফুশিং অসি মীয়াম পুন্না খঙমিন্নদুনা অপূনবা মণিপুরগী তুংগী ফিরেপ অমা শেম্নবা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে।

**MBBS IN RUSSIA**
SEAT RESERVATION STARTS 2016-17
DIRECT ADMISSION WITHOUT SCREENING & DONATION
(Through www.raieducation.com.)
40 SEATS ONLY AT 3 REPUTED INSTITUTIONS
ACADEMIC SESSION : JULY 2016, SEPT. 2016, NOV. 2016.
Financial Assistance Facility Available
Please Contact :
M. INAOBI SINGH
Shamurou Mayai Leikai, Ward No. - 5
Opposite Shamurou Kangjeibung
# 9612277401/9612294036
HL-B/2943/5 Feb. to 14 Feb.